# অঙাংশিংগী বাইবল

## খুদোল তমজরি



# নোৱা অমসুং অচৌবা ঈশিং ঈচাউ

অইবা: Edward Hughes

অয়েকপা: Byron Unger; Lazarus

শেমদোকপা: M. Maillot; Tammy S.

হন্দোকপা: মধুচন্দ্রা মোইরাংথেম

পুথোকপা: Bible for Children
www.M1914.org

©2019 Bible for Children, Inc.
অয়াবা পীবা: লাইরিক মচাকশিং অসি নহাক্না নমথোকপা য়াই
অদুবু য়োন্দুনা শেন্দান লম্বী ওইনা শীজিন্নবা য়াদে।

নোৱা শেম্বীবা মপুবু খুরুমজবা মী অমা ওইরম্মি। অতোপ্পা মী খুদিংনা শেম্বীবা মপুবু তাথীনা তৌরম্মি অমসুং হায়বা ইল্লমদে।



নোংমা, শেম্বীবা মপুনা পূক্লিং শোকপা করিগুম্বা অমা হায়রম্মি। “ঐ ফত্তবা তাইবংপান অসি মাঙহনগনি,” হায়না শেম্বীবা মপুনা নোৱাদা হায়রম্মি। “নহাক্কী ইমুং খক্তা কনগনি।”





শেম্বীবা মপুনা নোৱাদা চেকশিন্না লৈনবা হায়রম্মি মদুদি অচৌবা ঈশিং ঈচাউ অমা লাক্কনি অদুগা মালেম অসি পুমথুম থুমহনগনি।



“নহাক্কী ইমুং অমসুং শা-উচেক লৈবা য়ানবা অচৌবা হিজাউ অমা শাউ,” হায়না নোব্রাদা য়াথং পিরম্মি। শেম্বীবা মপুনা নোব্রাদা মহাক্না তৌগদবা চপ চাবা থবকশিং তাকখি।

নোব্রা থবক য়াম্না চিল্লম্মি!





নোৱানা করিগী হিজাউ অদু
শারিবনো হায়দুনা মী ময়াম্না
মাবু নোকনরম্মি। নোৱা লেপ্পা
লৈতনা শাখি।

মহাক্না
মীয়ামদা শেম্বীবা
মপুগী মরমদা লেপ্পা
লৈতনা তাকলম্মি। কনা
অমতনা তাবিরমদে।

নোরা য়াম্না চাউবা থাজবা
লৈরম্মি। নোং অমতা চুখিবা
লৈত্রবসু নোৱানা শেম্বীবা মপুদা
থাজবা থমলম্মি। হিজাউ অদুদা
চঙগদবা পোৎশিং হপচিনবা
থৌরাং তৌবা লোইরম্মি।



হৌজিক্তি শাশিং লাকলে। শেম্বীবা মপুনা শা মখল চপ মান্নবা তরেৎ, অতোপ্পা অনি পুরক্লম্মি। অচৌবা অমদি অপিকপা উচেক, য়াম্না পিকপা শা অমসুং মরেপ ৱাংবা শাশিং হিজাউ মনুংদা চঙলম্মি।





নোৱানা শাশিং হপচিনবা মতমদা মীশিংনা
মঙোন্দা থিনা ঙাঙদুনা ইকাইবা পিরম্মি।
মখোয় শেম্বীবা মপুগী মায়ওক্তা
অয়োন-অরান তৌবা লেপখিদে।
মখোয় হিজাউ মনুংদা
চঙনবা হংখিদে।



শা-উচেক
পুন্নমক চঙবা
লোইরে। শেম্বীবা মপুনা
নোৱা হি মনুংদা চঙনবা হায়রম্মি,
“নঙ অমসুং নঙগী ইমুং
হিজাউ মনুংদা লাকউ।”


নোৱা, মহাক্কী
নুপী, মহাক্কী
মচানিপা অহুম অমসুং
মখোয়গী নুপীশিং হি মনুংদা
চঙলম্মি। অদুগী মতুংদা
শেম্বীবা মপুনা থোঙ
অদু থিংলম্মি!



অদুগী মতুংদা নোং
তাবা হৌরকখি। নুমিৎ নিফুনি
চুপ্পা অহিং নুংথিল খাক্তনা  নোং
কন্না চুদুনা মালেম অপুম্বা ঈশিংনা
পিক থল্লম্মি।



ঈশিং ঈচাউ
অদুনা খুঙ্গং
অমসুং অচৌবা
খুনজাউশিং পিক থল্লম্মি।
নোং হাংলবা মতুংদসু অচৌবা চিঙজাউশিং
ঈশিং মনুংদা লৈরম্মি। নুংশাস্বর হোনবা
থৱায় পানবা খুদিংমক তুম্না শিখি।



ঈশিং লেপ্পা লৈতনা
চাউখৎলকপগা লোইননা, হিজাউ
অদু তাউখৎলম্মি। মনুংদা য়াম্না
মমলম্বা য়াই, অকুৎ-অতোং ওইরম্বা
য়াই, অমসুং অকিবগী মশক ওইরম্বা
য়াই। অদুবু হিজাউ অদুগী মপান্না
নোৱা ঈচাউদগী কলহৌবা ঙম্মি।

থা মঙা ঈচাউ থোকলবা মতুংদা, শেম্বীবা মপুনা
অশাবা নুংশিং শিংহল্লম্মি। তপ্না-তপ্না, হিজাউ অদু
অরারাত কৌবা চিঙজাউ অদুগী মতোন্দা পনখি। ঈশিং
অদু ময়েং তারকপগা লোইননা নোৱা হিজাউ
মনুংদা নুমিং নিফুনি
অমুক লৈরম্মি।



নোঙ্বানা ক্বাক অমা অমসুং খুনু অমা হিজাউ অদুগী থোঙনাওদগী থাদোক্লক্মি। অকংবা অমসুং অফবা মফম ফঙদদুনা খুনু অদু নোঙ্বাগী মনাক্তা অমুক হল্লকখি।



চয়োল অমগী মতুংদা, নোরানা অমুক হন্না চাংয়েং তৌখি। খুনু অদু মচিন্দা চোরোফোন মনা অনৌবা অমা মচিন্দা চিক্তুনা  হল্লকখি। মথংগী চয়োলদা নোরানা মালেম কংলে হায়বা খঙলম্মি মরমদি খুনু অদু অমুক হল্লকখিদ্রে।

হিজাউ অদুদগী মপান থোকপা য়ারে হায়না শেম্বীবা মপুনা নোৱাদা হাইরম্মি। নোৱা অমসুং মহাক্কী ইমুং পুন্না শাশিং অদু হিজাউ অদুদগী লৌথরম্মি।



নোরা কয়াগী মতিক নুংঙাইবা
ফাওরমগনি! মহাক্না ইরাৎ পুং
অমা শেমলম্মি অদুগা মহাক
অমসুং মহাক্কী ইমুংবু

অকিবগী মশক ওইরবা
ঈচাউ অদুদগী কনবিবগী
দমক শেম্বীবা মপুবু
খুরুমজখি।





শেম্বীবা মপুনা
নোৱাদা ৱাশক অমা
পিখি। মীওইবগী
অয়োন-অরান ৱায়েননবা
ঈচাউ অমুক হন্না থোকহল্লোই।

শেম্বীবা মপুনা মহাক্কী
ৱাশক অদু নিঙশিংনবা
খুদম অমা পিখি। শেম্বীবা
মপুগী ৱাশক নিঙশিংনবা
চুমথাং থোকহনখি।



ঈচাউ অদুগী মতুংদা
নোৱা অমসুং মহাক্কী
ইমুংনা অনৌবা মীরোল অমা হৌখি। মতম
খরগী মনুংদা, মহাক্কী মচা-মশুশিংনা মালেম
অসি অমুক হন্না পিক থল্লম্মি।

তাইবংপান্দা পাল্লিবা
লৈবাক

খুদিং নোৱা অমসুং
মহাক্কী মচাশিংদগী ওইরকখি।

নোংরা অমসুং অচৌবা ঈশিং ঈচাউ

শেম্বীবা মপুগী ৱাহৈ, বাইবলদা য়াওবা ৱারী

অসিদা ফঙই

মৈহৌরোন 6 - 10

“নহাক্কী ৱাহৈ চঙলকপদা মঙাল ফঙই।”
ঈশৈ লাইরিক 119:130


অরোইবা

বাইবলগী ৱারী অসিনা মতিক-মঙালনা
থল্লবা ঐখোয়গী শেম্বীবা মপুগী মরমদা অমসুং ইবুংঙো মহাকপু
ঐখোয়না মশক খঙবা মহাক্না পাম্মি হায়বগী মরমদা ঐখোয়দা তাকপি।

শেম্বীবা মপুনা অয়োন-অরান হায়না কৌবা ফত্তবা থবকশিং ঐখোয়না তৌরে হায়বা ইবুংঙো মহাক্না খঙই। অয়োন-অরানগী অতৌমলদি শিবনি, অদুবু শেম্বীবা মপুনা নহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইরবা মচানিপা যীশুবু নহাক্কী অয়োন-অরানগী উশিন ওইনা উ-কারোং মথক্তা শিবিনবা থাবিরে। অদুগা যীশুনা অমুক শিবদগী হিংগৎতুনা সোরারেন্দা কাখি! নহাক্না যীশুবু থাজরবদি অমসুং নহাক্কী অয়োন-অরানশিং কোকপিয়ু হায়না মঙোন্দা হায়জরবদি, মহাক্না শোইদনা কোকপিগনি! মহাক নঙগী পূন্সিদা লাক্কনি অমসুং মহাক্কা লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নবা ফঙগনি।

নঙনা মসি অচুম্বনি হায়না থাজরবদি, অসুম্না শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ: নুংশিরবা যীশু, ঐ নহাকপু শেম্বীবা মপুনি হায়বা থাজে, নহাক্না তাইবংপান্দা মী ওইনা লাক্কুনা ঐগী অয়োন-অরানগী দমক শিবি অমসুং শিবদগী হিংগৎখি। ঐগী পূন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী অয়োন-অরানশিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পূন্সি হৌজিক ফঙজগে অমসুং নহাক্কা লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফঙজগে। নহাক্কী হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐগী ইতেং পাংবিয়ু। অমেন।

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ! যোহান 3:16